HUEIYEN LANPAO
Refreshingly Reliable
হুয়েন লানপাউ
The messenger of the masses

শ্রীশ্রী গোবিন্দজি থানগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা নহাকপম মোইরাংনিংথৌ লৈখিদবগী চহী অমা ফারকপগা মরী লৈননা মোংশাঙ্গেগী ওল্ড এজ হোমদা চানবা পোৎলমশিং তেংবাঙখিবগী শক্তম

লামায় ৩

মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা কংলৈ ইমা লূপ (কিল) কংলৈপাক্কী ৯শুবা মপোক নুমিৎ থৌরমগী শক্তম

লামায় ৪

এম এস এফনা চঙশিল্লকপা ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তমসি হায়বা কেম্প্যেনগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোয় লূপ অসিগী থৌমীশিংনা জিরিবামদা লৈবা স্কুলশিংগী ফীভম য়েংশিনখিবা

লামায় ৩

বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিট শাহ য়াওনা বেঙ্গোলদা চৎখিবা রোদ সোদা নূং থাজিল্লক্তুনা থুগায়নবা হোৎনরকখিবা থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা চথখিবা ৱাকৎ মীফম

লামায় ৪

Vol. 43, Issue No.48 শগোলশেন, কালেন ১২নি পানবা অপূনবা লামায় মশীং ১২ HUEIYEN LANPAO, Thursday, May 16, 2019, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

উখুল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অমসুং স্কুলশিংগী টোইলেটতা পেকেজ ড্রিঙ্কিং ৱাটর শীজিন্নরে

মীওই ৭০,০০০ রোম লৈবা উখুলদা থক্নবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরে হায়দুনা পি আই এল ফাইল তৌরক্লে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা উখুল দিষ্ট্রিক্টতা ঈশিং ফংদবদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিগী হোস্পিটালদা লায়েংবা লাক্লিবা অনাবশিং অমদি স্কুলশিংগী মহৈরোয়শিংনা টোইলেটতা পেকেজ ড্রিঙ্কিং ৱাটর ওইনা শীজিন্নরে। চাউরাক্লা মীওই লিশীং ৭০ রোম লৈরিবা উখুল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা থক্লনবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা চাউনা মায়োক্লরিবা অসি কোকহনবীয়ু হায়না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা ফাইল তৌরক্লে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরক্লিবা পি আই এল অদুগী নম্বর ১৭ ওফ ২০১৯নি। পি আই এল অসিগী পিটিস্নরশিংনা তাঙ্খুল ময়ার-মালা লোংগী প্রসিদেন্ট এল এম সনামী শিমরে (৪৩), অপোকপা এল এম শাংজাই চাহোং খুনৌ ভিলেজ, উখুল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী শংশক ভিলেজদগী তিম্মিৱোন রাইহাং (৩০), অপোকপা শিমথর রাইহাংনি। অদুগা রেসপোন্দেন্টশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী পব্লিক হেলথ এঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি, হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি, পি এচ ঈ দিগী চীফ এঞ্জিনিয়র, পি এচ ঈ দি দিভিজন ফুংরৈতাংগী এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র, উখুলগী চীফ মেদিকেল ওফিসর (সী এম ও) অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ ড্রিঙ্কিং ৱাটর এন্দ সেনিটেসন (দি দব্লিয়ু য়ু এস) কী সেক্রেটরিনি।

এল এম সনামী শিমরে অমসুং তিম্মিৱোন রাইহাংনা পিটিস্নর ওইদুনা থাঙ্গৎলক্লিবা পি আই এল অদুনা কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবদি ষ্টেট অসিগী নোর্থ ইষ্টর্ন কোর্নরদা লৈরিবা উখুল দিষ্ট্রিক্টকী হেদ ক্বার্টরদা লৈরিবা মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না হৌজিক থক্লবা ঈশিং ফংদবগী মতাংদা খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরে। দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর অসিদা য়ুম্লাক লিশিং ৫ রোম লৈ। মীশিংনা চাউরাক্লা লিশীং ৭০ রোমনি।

রেকোর্দকী মতুং ইন্না উখুল টাউনদা লৈরিবা মীওইশিংনা থক্লবগীদমক নোংমদা মথৌ তারিবসি ঈশিং লিটর লাখ ১৩.৫নি। অদুগা মফম অসিদা লৈরিবা শিরুই ৱাটর সোর্চকী ইনটেক কেপাসিটিনা শুপ্নতগী ঈশিং লিটর লাক্ষ মরি ফাওবা য়ৌদ্রি । মরম অসিনা মফমসিগী মীয়াম্না ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরকপগা লোয়ননা তঙাইফদনা শীজিন্নবা লন্নাই ওইনা ঈশিং লিটর ১০০০ লৈবদা লুপা ৮০০ চাদিং তৌরি হায়রি।

ঈশিং ফংদবনা উখুল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা লায়েংবা লাক্লিবা অনাবা অমদি অনাবগী থৌগল তৌনবা লৈরিবা মীওইশিংনসু কাহেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্লরে। তঙাইফদবদগী হোস্পিটাল অসিদা লায়েংবা লাক্লিবশিংনা অতোপ্পা পান্বে ...মখা লামায় ৩ কলম...

রিমসতা এম বি বি এস তম্বগী সীট মশীং হেনগৎনবা ঈ সীগী মীফমনা লেপ্পখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) কী ৪৮শুবা একজিক্যুটিব কাউন্সিল (ঈ সী) গী মীফম ঙসি পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ইন্সটিট্যুট অসিদা এম বি বি এস তম্বগী সিট মশিং হেনগৎহন্ননবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ন্যু দিল্লিগী নির্মান ভবনদা য়ুনিয়ন হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের সেক্রেটরী প্রিতি সুদাননা চেয়রমেন ওইরগা পাঙথোকখিবা ঈ সীগী মীফম অদুদা ইকনোমিকেল্লি ৱিকর সেক্সন (ঈ দব্লীয়ু এস)কী পোষ্ট গ্রেজুয়েট সিট হেনগৎহন্নবগী মতাংদসু ৱারেপ লৌখি হায়না রিমসকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়,রিমসতা এম এস সী নর্সিং কোর্স হাংদোকপগা লোয়ননা দি এম ইন নেফ্রোলোজি, স্পোর্টস মেদিসিন লোয়ননা বি এস সী মেদিকেল লেবোরেটরি টেক্নিসিয়ন, এক্স-রে টেক্নিসিয়ন, সী টি স্কেন টেক্নিসিয়ন অমদি ঈ সী জি টেক্নিসিয়ননচিংবগী কোর্স হাংদোক্লবসু ৱারেপ লৌখি।

মহৈগী থাক এম এস সী নর্সিং ওইবা ফেকলটিনা থবক্তগী পোত্থাবগী মতম চহী ৬০দগী ৬৫দা শাংদোকহনবদা একজিক্যুটি কাউন্সিলনা অয়াবা পীরে। নেসনল ইন্সটিট্যুস্নেল রেঙ্কিং ফ্রেমৱার্ক (এন আই আর এফ) তা রিমসনা ২৮শুবা রেঙ্কতা লৈরকপগী মতাংদা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের সেক্রেটরী প্রিতি সুদাননা ইন্সটিট্যুট অসিগী দিরেক্টর, ওফিসলশিং, ষ্টাফ অমদি ফেকলটি মেম্বরশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা নোর্থ ইষ্ট কাউন্সিলগী সেক্রেটরি রাম মুইভা, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী দিরেক্টর জেনরেল ওফ হেল্থ সার্ভিস, এদিস্নেল সেক্রেটরী অমদি জোইন্ট সেক্রেটরীসু শরুক য়াখি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

থৌবাল তুরেলদা লূপখিবা শিন্মী অমা শিনা ফংলে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসসনগী মনুং চনবা থৌবাল তুরেলগী লৈরোংথেল মপাদা তুরেলগী লৈঙোই পেকপা শিন্মী অমা ঙরাং অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবদা ঈশিংদা ইরাক্লদুনা লূপখিবদগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবদু ঙসি অয়ুক শিনা ফংলে।

লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং থাংজম কুঞ্জে (৪২) অপোকপালৈখিদ্রবা লালা কৌই। মহাক ...মখা লামায় ৩ কলম ২

HL Poll

Q:Khunjasinggi hingnabagi lambi hanna pidana umang kokthokpa thingnaba hotnarubada mai pakkani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q:City mayolgi maruoiba lambi ayamba phibam phattribasi leingakna meetyeng changba watpadagini khanbra?

Yes 97% No 03%

Important Phone Nos.

RIMS	2414478
J.N. Hospital	2450385
DG Control	2450100

FIRE SERVICE

Imphal	101
Moirang	8415925197
Churachandpur	8415925191
Thoubal	8415925203
Kakching	8415925194
Jiribam	8415925193
Mayang Imphal	8415925196
Bishnupur	8415925190
Moreh	8415925198
Kangpokpi	8415925195
Ukhrul	8415925205
Senapati	8415925199
Chandel	8415925192
Singhat	8415925201
Sugnu	8415925202
Yairipok	8415925206

Today's Flights Timing (Non Stop only)

IMPHAL → AIZAWL	
Air India	12:20
IMPHAL → BENGALURU	
IndiGO	10:30
IMPHAL → DELHI	
Air Asia (India)	13:00
IndiGO	14:30
IMPHAL → GUWAHATI	
IndiGO	09:45
Air Asia (India)	11:30
IndiGO	12:20
IndiGO	13:45
Air India	14:35
IMPHAL → HYDERBAD	
IndiGO	10:00
IMPHAL → KOLKATA	
IndiGO	14:35
Air India	14:45

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৩ °C খ্বাইদগী ঈংবা ১৯ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৩.৯৪ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.৩০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫১

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	78.686032
US Dollar	70.206159
British Pound	90.289041
Australian Dollar	48.653353
Chinese Yuan Renminbi	10.211660
Japanese Yen	0.641094
Malaysian Ringgit	16.807045
Australian Dollar	48.653353
Singapore Dollar	51.280786
South Korean Won	0.059078
Saudi Arabian Riyal	18.721642
Thai Baht	2.224466
Myanmar Kyat	0.04616
Bangladesh Taka	0.83110

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	Rs 32973.26
Mumbai	Rs 33796.79
Delhi	Rs 33582.89
Kolkata	Rs 33914.44

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

অস! লোইরেহে!

নমাগা নপাগা কদাইদা চৎখি ইবুংঙো?



ইমাদি ময়ুম পানখ্রে, ববানা য়ু থকপা চৎখি, ঐখোয়না টি ভি য়েংলি।

সেকেন্দ এম আরদগী নোংমৈ মাঙখিবদা চেন্নবা থোকচোম দাইমন্দ বেল পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৪দগী হৌরগা ২০১৭কী অঙনবা শরুক ফাওবগী মনুংদা সেকেন্দ এম আরগী বট্টালিয়ন হেদ ক্বার্টরদা লৈবা দি জি পি পুলগী আর্মস কোটতগী নাইন এম এম পিষ্টোল ৫৬ মেগজিন ৫৮গা কোন্ননা মাঙখিবা থৌদোক্কী মতাংদা এন আই এনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা জুদিসল কষ্টদিদা থল্লক্লিবা থোকচোম দাইমন্দ এলিয়স তোলেন কোর্টনা বেল পীখ্রে।

মহাক মশাগী চহী ৩১ রোম শুরে। ক্বাকৈথেল ময়ায় কোয়বী মমাঙ লৈকায়দগী থোকচোম সুনিলগী মচানুপানি। মহাক্লা স্পেসল জজ (এন আই এ), মণিপুরদা বেল পীবীনবা থারকখিবা পিটিসন অমা কোর্ট অসিনা খন্নরবা মতুংদা ঙসি পীখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না বেল পীখিবনি। মসিগীদমক মহাক্লা লুপা লিশীং ৫০গী পার্সনেল রিলিজ (পি আর) বোন্দ অমসুং মসিগা মান্নবা সিয়ুরিটি অমগা কোন্ননা বেল বোন্দ ফর্নিশ তৌনবসু কোর্টনা খঙহনখি। অদুম ওইনমক ঙসিগী কোর্টকী মতম ফাওবদদি মহাক্কী মায়কৈদগী বেল বোন্দ ফর্নিশ তৌখিদ্রি।

পনবা য়াবদি, থৌদোক অসিগী মতাংদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

য়েলহৌমীশিং লৈরিঙৈদা নেসনল পার্টিশিংনা রিজনল পার্টি মুখৎপা ঙম্লোই : এম পি পি

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): য়েলহৌমীশিং লৈরিঙৈদা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা নেসনল পার্টিশিংনা রিজনল পার্টি মুখৎপা ঙম্লোই হায়না এম এম পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. এস ইবোমচানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ষ্টেটসিগী চীফ মিনিষ্টরনা নের্থ ইষ্টতা রিজনল পোলিটিকেল পার্টিশিং মুৎখ্রগনি হায়না মীদিয়াদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদু বি জে পি অমসুং আর এস এসকী নুংগী ওইবা অপান্বা মীয়ামদা ফোঙদোকচবনি। নোর্থ ইষ্টতা অহানবা রিজনল পার্টি ওইনা লিংখৎখিবা এম পি পিনি।

ইন্দিয়াদা অতল বিহারী বাজপায়ীনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক অমা লৈখিবদুসু রিজনল পার্টি ময়াম অমা য়াওনা শেমখিবনি। হৌজিক পাল্লিবা বি জে পিগী নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিসু রিজনল পার্টিশিংনা শৌগৎলগা শেম্বা লৈঙাকনি। কোংগ্রেসনা লুচিংদুনা পানখিবা য়ু পি এ লৈঙাক অদুসু রিজনল পোলিটিকেল পার্টিশিং য়াওরগা শেমখিবনি। ইন্দিয়াগী ষ্টেট কয়াদা রিজনল পোলিটিকেল পার্টিশিংনা লৈঙাক পায়রিবা মফমশিংদসু নেসনল পোলিটিকেল পার্টিশিংনা শৌগৎলি। মণিপুরদা হৌজিক বি জে পিগী লৈঙাক অসিবু লুচিংলিবা এন বিরেনগী লৈঙাক অসিসু রিজনল পোলিটিকেল পার্টি এন পি এফ অমসুং এন পি পিনা শৌগৎপা লৈঙাক্নি। ইন্দিয়াদা হৌজিক পাঙথোক্লিবা ১৭ শুবা লোক সভাগী মীখল অসিদা নেসনল পার্টি কোংগ্রেস অমসুং বি জে পি অনীমক্লা সিঙ্গল মেজোরিটি কৈদৌঙৈদসু ফংবা ঙম্লোই। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক নৎত্রগা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

লম্বী ফজনা শেম্বীদবগী মীয়াম্না ঈরাং হৌরকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): নেসনল হায়ৱে ১৫০গী শরুক ওইরিবা বিষ্ণুপুর কৈথেল মপাগী লম্বী শরুক্তা কোয়লাস নিংথিনা থাবীদে হায়না বিষ্ণুপুর ক্লবকী সেক্রেটরি টি বিক্রম য়াওনা লমদম অদোমগী মীওই কয়ানা ঙরাং অয়ূক ঈরাং হৌরকখ্রে। লম্বী অদু নীংথিনা কোয়লাস থাবীদে হায়না খোঙজং চঙশিনখিবা অদু পি দব্লিয়ুদিগী ওফিসলশিংগা ৱারী শানরবা মতুং য়াশিন্নবা পুরকখ্রে। হান্না থাখিবা কোয়লাস অদু ফকৎলগা নৌনা অমুক হন্না থানবা য়ানরে হায়রি।

নুমিদাং অথেংবদা লম্বী কোয়লাস থারিবা অসি মওং মরীল তাদে। মরম অসিনা লম্বী অসিবু শেম্লিবা কন্ট্রেক্টর অমদি পি দব্লিয়ু দিগী ওফিসলশিংনা কূপ্না য়েংশিনবীদুনা ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌরগা কোয়লাস থাবীয়ু হায়নসু মীয়াম্না আপিল তৌখি। নেসনল হায়ৱে ১৫০গী শরুক ওইরিবা মালোমদা ঐচ ভি এস কন্সত্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদনা লম্বী নিংথিনা শেমখিবা মতৌ অদুগুম্না বিষ্ণুপুরদসু শেম্বীয়ু হায়না বিষ্ণুপুরগী মীয়াম্না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

খুন্দ্রাকপম টেজকুমার হাৎখিবগী কেস

সী বি আইগী আই ওনা ক্লোজর রিপোর্ট পীখৎলকপদা পিটিস্নর খঙহল্লমগদবনি : কোর্ট

ইম্ফাল, মে ১৫ (ঐচ এন এস): এক্সট্রা জুদিসল এগজিক্যুসন ভিক্টিম ফেমিলিজ এসোসিএসন (ঈভফম) অমসুং হ্যুমেন রাইটস এলর্ট (ঐচ আর এ) না মণিপুরদা থোকখিবা ফেক ইনকাউন্টরনি হায়বা কেস ১৫২৮ নৌহৌননা থিজিলহনবীনবা ৱাকৎখিবগী মতুং ইন্না সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা অখন্নবা কেস খরা খনগৎতুনা নৌনা থিজিন্ননবা খঙহনবদা য়াওখিবা উরিপোক লাইখুরেম্বী লৈকায়দগী খুন্দ্রাকপম টেজকুমার হাৎখিবা কেসকা মরী লৈননা সী বি আইগী আই ওনা ক্লোজর রিপোর্ট পীখৎলকপদা পিটিস্নর ওইরিবশিং খঙহনলমগদবনি হায়না কোর্টনা খঙহনখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং মতুং ইন্না মণিপুরদা থোকখিবা ফেক্ট ইনকাউন্টরনি হায়বা কেস খরা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না থিজিল্লিঙৈ চৈরক অসিদা অহানবা ওইনা সী বি আইগী মায়োক্তা থাঙ্গৎলক্লিবা কেস অসিগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

অদোমবু মফম অমদগী মফম অমদা নুঙাইনা, লাইনা অমদি অতেনবা মতমদা য়ৌহনবা ঙম্বা
Manipur Cab Services
হৌজিক মনিপুরগী মীয়ামদা খুদোংচাবা পিবা হৌজরে...

খুদোংচাবা অসি লৌবীনবা Telephone গী খুৎথাংদা মখাদা পীজরিবা number অসিদা call তৌবিয়ু নত্ত্রগা অদোমগী Smartphone দা ঐখোয়গী Android app "Manipur Cab" playstore দগী download তৌবিরগা অদোমগী অপাম্বা গাড়ী তোংদুনা চৎপিয়ু

Toll Free Number
1800-345-3838
GET IT ON Google Play

₹ 15 per Km. Normal
₹ 25 per Km. Standard
Picnic, লুহোংবগী অমদি অতৈ থৌরমশিংগী ওইনা অখন্না শেমজবা package লৈজরি

অদোমবু তেক্তা কায়দনা অমদি মতম চানা য়ৌহনবনা ঐখোয়গী পান্দমনি

MANIPUR CAB SERVICE 24X7
Manipur Cab Services
2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal
Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.

HL-P/4134/7/5-5/6
HL-B/4391/16

UNACCO SCHOOL
Excellence in Education
Legacy of Academic Excellence continues....
STATE TOPPER
AISSCE -2019 (CLASS-XII)
Science Stream
1st SATYAJIT THONGBAM 95.2 %
2nd PRATIK AGARWAL 95.0 %
ADMISSION GOING ON
For Class XI Science
For more details : 8131070337
e-mail: info.unaccoschool@gmail.com